# ইন্দিয়ানা মিসন অমত্তদা সেটিলাইট ১০৩ কাপখৎনবা থৌরাং তৌরি ঃ জি মাধবন নেয়র



*হাইদ্রবাদ, জনুৱারি ১৯ঃ*

স্পেস সাইন্টিস জি মাধবন নাইয়রনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিনা অমুক্তদা সেটিলাইট ১০৩ মিসন অমত্তদা পুখৎতুনা স্পেসতা থন্নবা থৌরাং তৌরি। মদু লৈবাক অসিনা তৌবা ঙম্বা থবকশিং অদু উৎপা ঙম্নবা থৌশিল অমনি হায়রি।

ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না মীওইবনা স্পেসতা চৎকদবা অমসুং টেক্নোলোজি চাওখৎহনবগী লমদা মীৎয়েং থন্নি। মমাঙদা সেটিলাইট কয়া অমুক্তদা কাপখৎখিবা লৈখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অহোংবা অমত্তা লৈত্রি।

কে জি ১৫০০গী কেপাসিটি লৈবা সেটিলাইট কয়া থাগৎখিবসু লৈখ্রে হায়না হান্নগী ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী চেয়ারমেননা পি টি আইদা ফোঙদোকখ্রে। পি এস এল ভি মিসনশিংগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়, মিসন অদু মায় পাক্লনবা থবক কয়া পায়খৎলি।

ঙসি মহৈরোই কয়াগী প্রোজেক্তা মাইক্রো অমসুং নানো সেটিলাইট কয়া থাগৎপগী ৱাফম লাক্লি। মরম অদুনা পি এস এল ভিগী সেটিলাইট ১০৩ পুগদবা মিসন অদু মায় পাকপগী তঙাইফদবা লৈ। অদুগুম্বা ফিভম অদু লৈরবতদা মায় পাকপা ঙমগনি।

চহী ৬ লোম ইসরোগী চেয়ারমেন ওইরম্লবা অমসুং সেক্রেটরি অদুগী মতমদা মায় পাক্লা মিসন ২৫ পাঙথোকখিবা লৈখ্রে হায়নসু ইসরোগী ৱেব সাইটনা ফোঙদোরক্লি।

মতম অসিমক্তদা ইসরোনা পায়খৎখিবা থবক থৌশিলশিংগী মরমদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরক্ত্রি। চহী ৫গী মমাঙদা ইসরোনা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা লৈখি। ইন্দিয়ানা ঙসি স্পেসকী লমদা শেল থাদবগা লোয়ননা থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

টেক্নোলোজিগী এদভান্টেজ অমসুং ইসরোগী লুচিংবশিং হায়বগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া লৈরবসু তপ্না তপ্না য়েৎনরিবশিং অদু হন্থরক্লি। ইসরোনা হ্যুমেন স্পেস ফ্লাইট প্রোজেক্ট পায়খৎনবা থৌশিল চখ্খরি।

অনৌবা টেক্নোলোজি লাকপগা লোয়ননা থৌশিল অদুদা অনৌবা ইনোট কয়া পীরি। ইসরোগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নিংখা তম্বগী নুমিৎতা লাউথোক্কদবা ৱাফম কয়া শেম শাদুনা থন্নি।

হৌজিক ওইরিবা লৈবাক অসিগী ফিভম অসি য়েংলগা চহী ৫গী মতুংদা স্পেসকী লমদা কদাই ফাওবা চাওখৎলকপা য়াবগে হায়বদু য়েংবা তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

# টেহরানগী অৱাংবা বিল্ডিং অমা মৈ চাক্তুনা নিংখায়রকপদা ফাইয়র ফাইটর ৩০ শীখ্রে

*টেহরান, জনুৱারি ১৯ঃ*

ইরানগী টেহরানদা লৈবা মথোল কয়া ৱাংবা বিল্ডিং অমা মৈ চাকপা কন্নবা হোৎনখিবা ফাইয়র ফাইটর ৩০ বিল্ডিং অদু নিংখায়রকপদগী লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই ৭৫না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।



লৈবাক অদুগী কোনুং টেহরানগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্কী কৈথেল অমদা লৈবা মথোল কয়া ৱাংবা বিল্ডিং অমা মৈ চাকখি। ইরান ষ্টেট টেলিভিজনগী মতুং ইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মৈ কনবা কাংবুগী মীওই ৩০ শীখ্রে।

লোকেল ইরান ষ্টেট টেলিভিজননা হায়, থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই ৩০ হেন্না অশোক অপন নংখি। মদুতা নত্তনা ফাইয়র ফাইটর ৪৫সু অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

পুলিসনা মৈ চাক্লবা কৈথেল অদুগী দুকান মপুশিংনা মখোয়গী দুকানদা লৈবা অতাংবা পোৎলমশিং লৌথোক্লবা হোৎচিন্নরকখিবা অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনখি। ফাইয়র ফাইটরশিংদা মৈ অদু পুং কয়া চুপ্পা কন্নবা হোৎনরবা মতুং মথোল কয়া ৱাংবা বিল্ডিং অদু নিংখায়রকখি।

বিল্ডিং অদু সেকেন্দ ১গী মনুংদা নিংখায়রকপা ষ্টেট টেলিভিজননা উৎখি। মফম অদুদা লৈবা পাউমী কয়াগী ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি। মৈ চাক্লিবা বিল্ডিং অদুদা ফাইয়র ফাইয়রশিংনা কৈরাক অমসুং ৱাটর কেনেল কয়া শীজিন্নদুনা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনখি।

মফম অদুদগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা উখি। খঙহৌদনা য়ুম অদু নিংখায়রক্তুনা মীওই কয়া শীহনখি। ফাইয়র দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই জলাল মালিকিনা ফোঙদোরকখিবদা ফাইয়র টেন্দর ১০ হেনবনা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক ফিভম শোকচিল্লবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মরম ওইরগা বিল্ডিং অদু নিংখায়রকখি।

ইরানিয়ান মিলিটরিগী য়ুনিট অমসু খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা মতেং পাংননবা থাজিল্লকখি। মথোল ১৭ ৱাংবা বিল্ডিং অদু ইং ১৯৬০দা জেৱিস করবারৱালা হাবিব ইলঘানিয়ান কৌবা মীওই অমনা প্লাষ্টিক মেন্যুফেকচরিংগী থবক পায়খৎনবগীদমক শাখিবনি।

বিল্ডিং অদু সহর অদুদা খ্বাইদগী ৱাংবা বিল্ডিং অমা ওইনা লৈরকখিবনি। ইলঘানিয়াননা মফম অদুগী মরু ওইবা থৌদাং লৌনবা হোৎনখি। ইং ১৯৭৯দা ইস্লামিক রিভোলুসন লাকখিবা মতমদা চপ চানা থেংনখ্রবা মতুং হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লাকখিবনি হায়রি।

# উরি, হন্দুৱারা টেরর এটেকশিং লাস্কর ই তোইবা চেন্নে ঃ এন আই এ

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৯ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী উরি অমসুং হন্দুৱারাদা লৈবা লান্মীগী ইনষ্টোলেসনশিংদা টেরর এটেক চখ্খরকখিবশিং অদু পাকিস্তানদা বেজ তৌবা লাস্কর ই তোইবা চেন্নে হায়না নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফোঙদোরক্লি।

এন আই এগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবদা হন্দুৱারা আর্মি কেম্পতা চখ্খরকখিবা এটেক অদু টেরোরিষ্ট ৪না চখ্খিবনি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১দি এন আই এগী কষ্টদিদা লৈরি।

টেরোরিষ্টশিংনা ৩০ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী হন্দুৱারাগী মনুং চনবা লাংগেটতা লৈবা কেম্পতা এটেক খরকখি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা টেরোরিষ্টশিংনা কেম্প অদুদা এটেক চখ্খরকখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎপা ঙমখি। অদুম ওইনমক মীওই অমদি মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়রি।

অচৌবা খুৎলায় কয়া পায়বা টেরোরিষ্টশিংনা উরি সেক্টরদা লৈবা আর্মি কেম্পতা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা এটেক চখ্খরক্তুনা লান্মী ১৮ শীহনখি।

লাস্কর ই তোইবা মিলিটেন্টশিং উরি অমসুং হন্দুৱারাদা চখ্খরকখিবা এটেকশিং অদুদা চেন্নে হায়বা খঙবা ঙমখি। মমাঙদা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরর আউট ফিট জয়স-ই-মুহম্মদ অদুগুম্বা এটেকশিং অদুদা চেন্নে হায়না এন আইনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

উরি এটেককী মতাংদা থিগৎখিবদা খঙখিবা ৱাফমশিং ওফিসিয়েলশিংনা চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। সেক্টর অদুদা পাকিস্তানদগী ঙমখৈ লান্না শেল কয়া কাপশিল্লকপগী থৌদোকসু থোক্লিবনি হায়রি।

টেরোরিষ্টশিংনা চখ্খরকখিবা থৌদোকশিং অদু য়েংশিন্নবা ওফিসিয়েল ওইবা কাংবু অমনা থবক পায়খৎলি। হন্দুৱারাদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এ ওফিসিয়েল অমনা হায়, খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংনা সামসুং অমসুং হুৱে কম্পেনিগী সেলফোনশিং শীজিন্নরম্বগী চপ চাবা প্রমান ফংবা ঙম্লে।

এন আই এনা সামসুং অমসুং হুৱে কম্পেনিদা টেরর এটেককা মরী লৈননা অইবা চেরোল পীদুনা চপ চাবা ৱাফম খঙহল্লক্কবা হায়খ্রে। এন আই এনা লাস্কর ই তোইবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং খোমগৎনবা হোৎনরি। মদুতা নত্তনা গ্লোভেল পোজিসনিং সিষ্টেম শীজিন্নদুনা এটেক চখ্খরকপা কয়া চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি।

এন আই এনা মাওরিসিয়স অমসুং জপানগী কম্পেনিশিংদগী দেটাশিং খোমগৎনবা হোৎনরি। মদু এজেন্সি অদুনা থিজিন-হুমজিনবগী পায়খৎলকখিবা থবক থৌশিলশিংগা মরী লৈনননা খঙহনখিবনি হায়রি।

# ইটালিদা যুহার হাখ্রবা মতুং উন নিংখায়রকপদা মীওই ৩০ ননশিনখ্রে হায়বগী মীপায়বা লৈরে

*রোম, জনুৱারি ১৯ঃ*

ইটালিদা লৈবা চীংগী লমদমগী হোটেল অমদা লৈবা মীওই ৩০ রোম খঙহৌদনা হারকখিবা যুহারনা মরম ওইরগা উন নিংখায়রকপদগী ননশিন্দুনা শীরম্লগনি হায়বগী মীপায়বা লৈরে।



ইটালি সিভিল প্রোটেক্সন এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা হোটেল রিগোপিয়ানো মিটর ২০ থানা উননা ননশিনখ্রে। ইম্মর্জেন্সি সার্ভিস অমসুং এম্বুলেন্সনা উননা ননশিনখ্রবা মফম অদু তৌথায়দুনা মী কন্নবা হোৎনখি।

এজেন্সিগী পাউ মতুং ইন্না লমদম অদুদা অকনবা যুহার হাখ্রবা মতুং তোঙান-তোঙানবা গেষ্ট হাউস ৩০ অমসুং অপিকপা হোটেল কয়া নিংখায়রকপা উনশিংনা ননশিনখ্রে। লোকেল মেদিয়ানা হায়, মাউন্টেন পুলিসনা খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদা হেলিকোপ্টর তোংদুনা চংশিনবগা লোয়ননা হকচাংশিং ফংননবা থি-হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

বিল্ডিং অদুগী মনুংদা অহিংবা মী লৈরমগনি হায়বগী খুদম ফংবা ঙমদ্রে। হোটেল অদু মিটর কয়া থানা উন্না ননশিন্দুনা লৈখ্রে। মফম অদুদা মীওই কয়া শীরম্লগনি হায়বগী চীংনবা লৈ হায়নসু কম্মান্দিং ওফিসার এন্টোনিয়ো গ্রোসেটানা ফোঙদোরক্লি।

হোটেল অদুদা মী কনবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মীওই ৮ থাংদোকপা ঙমখ্রে। হোটেল অদু য়ৌনা চংশিল্লক্কদবা লম্বীশিং মিটর ২ রোম থানা উন্না কুপশিন্দুনা লৈখিবনা মরম ওইরগা চংশিনবা ঙমদনা লৈরি।

এন্টোনিয়ো দি মার্কোনা ফোঙদোকখিবদা হোটেল অদুগী মনাক য়ৌনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা চংশিনবদা মীওই ২ হিংনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শীরমগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে। বিল্ডিং অদু উন নিংখায়রকপা অদুনা হক থেংননা য়ৈখিবা মফম অমা ওইখি। মফম অদুগী অকোইবশিং উননা মিটর ১০ রোম ফুমজিন্দুনা লৈখি।

ফারিন্দোলাগী মেয়র ইলারিয়ো লাচেতানা হায়, উন নিংখায়বগী থৌদোক অদুদা শীরম্বা য়াবা মীগী মশিং কা হেন্না ৱাংলম্বা য়াই। মফম অদুদগী অহিংবা মীওই ২ কনবা ঙমখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। মখোয় হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা কনবা ঙমখিবনি।

মেগ্নিচুদ ৫ য়ৌনা হাখিবা যুহার অদুনা লমদম অদুদা চাওনা নিকহনবগা লোয়ননা মনাক নকপা চীংশিংদগী উন নিংখায়রক্তুনা মিটর কয়া থানা উননা কুপশিন্দুনা লৈখি হায়রি।

# ইটাহ স্কুল বস এক্সিদেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ইটাহ, জনুৱারি ১৯ঃ*

উত্তরপ্রদেশকী ইটাহদা অঙাং কয়া পুদুনা লাকখিবা স্কুল বস অমগা ত্রক্কা থেংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা অঙাং ১৩ শীখ্রে। স্কুল বস অদুগী দ্রাইভর অদুসু থেংজিন্নবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে।



লমদম অদুদা লৈচিল থাবা অমসুং উবা ঙম্বগী চাং হন্থবনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। উত্তরপ্রদেশকী কোনুং লখনৌদগী কিলোমিটর ৩০০ লোম চৎলগা লৈবা ইটাহ দিষ্ট্রিক্তা উবা ঙম্বগী চাং হন্থবনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অঙাং কয়া লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। য়ু পিগী ইটাহ দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা পীক্লিবা অঙাং কয়া লৈখিদবা অদু খ্বাইদগী অৱাবা থৌদোক অমনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টুইটরদা ফোঙদোরক্লি। ইটাহ থৌদোক্তা অশোক অপন নংখ্রবশিং অথুবা মতমদা ফগৎলক্কবা ঈশ্বরদা হায়জরি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না জে এস বদ্যানিকেটন স্কুলদা ক্লাস য়াওননবা পুরকখিবা মহৈরোইশিং অদু খুদোংথিবা নংখি। দিষ্ট্রিক্ত মেজিষ্ট্রেটনা লমদম অদুদা লৈবা স্কুলশিং নিংথম থাগী কা হেন্না ঈংবা ফিভম অসি য়েংলগা ছুটি থাদনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ত মাজিষ্ট্রেটনা হায়, লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ১২দি মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। মীওইশিং অদু চহী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ত্রক অদুগীসু মরাল লৈ। লৈঙোই পুদুনা লাকখিবা ত্রক অদু খুদোংথিবা থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা য়াংনা থৌরকখি।

এসোসিয়েটে প্রেসকী মতুং ইন্না ত্রক অদু য়াংনা থৌদুনা লাকপা উখি। লোয়ননা স্কুলগী অঙাং কয়া পুদুনা লাকপা বস অদুগা থেংজিন্নখি হায়রি।

অতোপ্পা ওফিসার অমনা ফোঙদোরকখিবদা ত্রক অদুগী দ্রাইভর অদুসু কা হেন্না শোকপনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লাকয়ন্নখি। পাউ অদু হেক ফংবগা মফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মী কনবা কাংবুশিং চংশিনখি। লোয়ননা অশোক অপন নংলবশিং কন্ননবা হোৎনখি।

উত্তরপ্রদেশকী গভর্নর রাম নায়ক অমসুং চীফ মিনিষ্টর আখিলেস যাদবনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী মশক মমিং খঙদোক্লবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

# য়েমেনগী টাইজদা ষ্ট্রাইক চখ্খবদা মীচম ৬ হাৎখ্রে

*সানা, জনুৱারি ১৯ঃ*

য়েমেনগী লালগী ইরাংনা শোকহল্লবা টাইজতা সিটে রিবেলশিংনা রোকেট কাপশিল্লকপদা মীচম ৬ শীখ্রে হায়না য়েমেন সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎতা টাইজগী মীচমশিংনা লৈবা মফমশিংদা ষ্ট্রাইক চখ্খরকখি। ষ্ট্রাইক চখ্খরকখিবা অদুদা লমদম অদুদা লৈবা মীচম ৬ নোংমতদা শীখি হায়রি।

য়েমেনদা রিবেল অমসুং প্রসিদেন্ট আবেট রাবো মন্সুর হাদিগী খুৎপুশিংগা খুৎ থোক্লবনা মরম ওইরগা মীচম কয়াদা খুদোংথিবা নংহল্লে। চহী ২ চুপ্পা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবনা মীচম লাক্ষ কয়া শীখ্রে। অদুগা মিল্লিয়ন কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা হিংশাগী থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি। য়েমেনগী শকখঙনরবা রিবেল কাংলুপ হাউথিশিংনা লৈবাক অদুগী কোনুং খুদুম চনখিবসু লৈখ্রে। মদুগী মতুং ইং ২০১৪গী সেপ্টম্বর থাদা সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চখ্খরকখি।

মখোয়না হাদি লৈঙাক অমুক হন্না লৈবাক অদুদা লৈহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। লোয়ননা হাউদি রিবেলশিং কন্ট্রোল তৌননবা হোৎনখি। লমদম অদুদা হৌজিক লালগী ফিভম মায়োক্লবনা মরম ওইরগা মীচম কয়াগী পুন্সি মাংলি অদুগা মীওই কয়ানা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়রি।



## GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......19/09/2016
Valid from ........... 16/09/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing.........7.30 to 9.30 am

**MM GAS**
Booking upto .......20/09/2016
Valid from ........... 12/09/2016
Stk ......................612 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.30 am

**YAIRIPOK GAS**
Booking upto .......10/09/2016
Valid from ........... 06/09/2016
Stk ................................288
Timing.........7.00 to 10.00 am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto .......26/10/2016
Valid from ........... 24/10/2016
Stk ................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto .......03/11/2016
Valid from ........... 25/10/2016
Stk ................................306
Timing.........7.00 to 11.00 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......04/10/2016
Sl. No. 10241 to 10700
Stk ................................306
Timing.........7.00 to 11.00 am

**IMPHAL LPG**
Booking upto .......21/10/2016
Sl. No. Upto 40030
Valid from ........... 17/10/2016
Stk ................................306
Commercial connection available


সনা-সুদোকু- ৭৬৯ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

# মেঘলয়াদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে

*টুরা, জনুৱারি ১৯ঃ*

নোর্থ গারো হিলস পুলিস অমসুং ৬ / ৫ গারো রাইফলসকী অপুনবা খুৎপু অমনা লমদম অদুদা লৈবা লালহৌবশিংদা সপ্লাই তৌননবা হোৎনরমখিবা য়াম্লবা খুৎশু-খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।



দিমোনিটাইজেসন মতুং লালহৌবশিংদা অচৌবা চৈফু অমা পীখি। লোয়ননা নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী ক্রিমিনেল এক্টিবিটিষ্টশিংদসু চাওনা অকায়বা পীখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না টেঙমন দি সিরা (২৫) কৌবা থাপা আগিটচককী মনুং চনবা খুঙ্গংদা লৈবা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মহাক থাপা দেরেক্টচি খুঙ্গংদগী এন জি ঐচনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অদুনা থি-হুম্বগী থবক চখ্খবদা খুঙ্গং অদুদগী অয়ুক্কী পুং ২.৩ চৎপদা য়াম্লবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অদুগা লোয়ননা মীওই অদু ফাগৎপা ঙমখি।

ঙসি ফাগৎখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা ৭.৬৪ এম এম পিষ্টোল ১, চাইনানা শাবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৮, চাইনিজ পিষ্টোল ১ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৮ য়াওবা মেগজিন ৪সু ফংবা ঙমখি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। মখা তানা য়েংশিনবদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ওপরেট তৌরিবা আইননা থিংখ্রবা ইন্সর্জেন্ট অমসুং সিম্পেথাইজরশিংনা লমদম অদুদা শেনখায়-থুমখাই চখ্খবগী থৌশিল কদাই ফাওবা চখ্খবা ঙম্লমগদগে হায়বদু খঙদোকপা ঙমখ্রে।

খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈবা মীওইশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সতা মতেং পাংলকপগী মখা পোল্লি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক এম জি আর কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

# জে এন কেগী মতাংদা থার্দ পাটিগী মথৌ তাদে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৯ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়বগী ৱাফম কয়া বৃটিস পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎলকখ্রে। নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ানা ওইরিবা ফিভম অসিদা থার্দ পার্টি অমনা ৱায়েনবা য়ারোই হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লি।

ওইরিবা ফিভম অসি মুন্না খঙই। পাকিস্তাননা সিমলা এগ্রিমেন্টকী মখাদা থবক পায়খৎকদবনি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই বিকাস স্বরুপনা ফোঙদোকখ্রে।

স্বারুপনা মখা তানা হায়, হিরম অসিদা থার্দ পার্টি অমা শরুক য়াহনবগী ৱাফম লৈরোই হায়খি।

# কেরালাদা বি জে পিগী ৱার্কর অমা হাৎলম্লে, আর এস এসকী ওফিসাতা বোম লংশিল্লম্লে

*কানুর, জনুৱারি ১৯ঃ*

কেরালাগী কানুর দিষ্ট্রিক্টতা ভারতিয়া জনাটা পার্টি (বি জে পি)গী চহী ৩০ রোম শুরবা মীওই অমা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মার্ক্সিস (সি পি আই-এম)গী কাদর অমনা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুদা থোকপা অতোপ্পা থৌদোক অমদা কন্ত্রিমেদ বোম পোকখায়রকপদগী রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেভক (আর এস এস)কী ওফিসতা বোম অমা পোকখায়হল্লকখ্রে।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংবগী পাউ লৈতে। অদুম ওইনমক বি জে পিগী ৱাকর সান্তোসনা অন্দালুরদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা মথন্তা লৈরিঙৈদা এটেক চখ্খরকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা চখ্খরকপা এটেক্তা শোক্লবা সান্তোস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা কানুর এস পি কে পি ফিলিপনা শীনা থেংনখি হায়রি।

লমদম অদুদা হৌজিক উংখৎনবগী চাং ৱাংনা লৈরি। সান্তোস বি জে পিগী টিকেটতা লোকেল বোদি ইলেক্সন মায়োক্লখিবা মীওইনি। মীওই অদু হাৎলম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা কানুরদা লৈবা দুকান অমসুং লম্বী কয়া থিংজিনখি। লোয়ননা লম্বীদা গারী অমত্তা চেন্নখিদে।

ষ্টেট অদুদা হৌজিক ৫৭ শুবা স্কুল আর্ট ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবনি। বি জে পিগী লুচিংবা অমা হাৎলম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কানুরদা হরটাল চখ্খ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-770**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | | 7 | | |
| | | | | 5 | 4 | | | 3 |
| 5 | | | | | 2 | 9 | | |
| | | | 4 | | | 2 | 3 | |
| | 9 | | 5 | | 6 | | 1 | |
| | | | | | 7 | | | |
| | | 2 | 1 | | 5 | | | |
| | 5 | 4 | | 7 | | | | |
| | | | 6 | 2 | | | 5 | 9 |